# কোল এন্দ নেচরেল গ্যাসকী মমল লুপা ১৫ হন্থরগনি



**ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ৩ ঃ** কোল এন্দ নেচরেল গ্যাসকী মমল কিলোগ্রাম অমদা লুপা ১৫ হন্থরগনি। লোয়ননা চাকখুমশিংদা শন্নিবা কুকিং গ্যাসকী মমলনা লুপা ৫ হন্থরগনি হায়না সরকারনা লেপখ্রে।

দিল্লি অমসুং অহমদবাদতা অহোংবা মমলদা দোমেষ্টিক গ্যাস ফংহন্নবগী পান্দমদা থবক অদু লৌখৎলকখিবনি। ওইল মিনিষ্টর ভিরাপা মোইলিনা হায়খিবদা, সরকার অদুনা ইমুংগী ওইনা শীজিন্নরিবা নেচরেল গ্যাসকী মমল হন্থহন্নবা অমদি গ্যাস পীবগী চাং হেনগৎহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে। মদু হান্না চাদ ৮০ ওইরম্বদগী চাদ ১০০ ওইহন্নবগী থৌশীলনি হায়রি।

পেট্রো কেমিকেল, ষ্টিল রিফা–ইনরিশিংনা পীগদবা সপ্লায়শিংগী রেটসু ককথরগনি। মদুনা মরম ওইরগা দিল্লি অমসুং অহমদবাদতা নেচরেল গ্যাসকী মমল হন্থহনবদা মতেং অমা ওইরগনি হায়রি।

লোয়নননা হান্না অতাঙবা মমলদা লৈদুনা শীজিন্নরম্বা কুকিং গ্যাস অদু অহোংবা মমলদা ফংহন্নবা হোৎনবনি হায়রি। থৌশীল অদুগী মরু ওইবা মরমদি কম্মনমেন অমদা মখোয়গী য়াইফনবগী থবক পায়খৎপদুনি হায়রি।

মুম্বাইদগী ফংবা পাউ অমগী মতুং ইন্না, যূমথোঙ খূদিংমক্তা শীজিন্নরিবা গ্যাসশিংগী মমল হন্থহন্নবগী খুদোং–চাবা সহর অদুদা ফংদ্রি। অদুম ওইনমক, হান্না শীজিন্নরম্বা এল এন জি অতাঙবা মমল অদুদগী চাদ ২৮দি হন্থহল্লগনি হায়রি।

লৌখৎলিবা খোঙথাং অসিনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা গ্যাসকী মমল হন্থহনবা ঙম্লগনি হায়রি। দিল্লিদা কোল এন্দ নেচরেল গ্যাসকী মমল লুপা ১৫ হন্থহল্লে। যূমথোঙ খূদিংদা পাইপকী খূখাংদা পীরিবা কুকিং গ্যাসকী মমলনা লুপা ৫ হন্থহরগনি। মদু হান্না ফংলম্বা চাংদগী চাদা ২০ হন্থরবনি হায়রি। কোল এন্দ নেচরেল গ্যাসকী দোমেষ্টিক গ্যাসকী মতাংদা লৌরিবা ফিরেপ অদু চৎনহনবদা য়ামদ্রবদা নুমিৎ ২/৩ দি চঙলবা য়াই হায়রি।

# এন দি এফ বি (এস) নমথনবা অহেনবা শক্তি দরকার লৈঃ দি জি পি



**তেজপুর, ফেব্রুৱারি ৩ ঃ** নেশনেল দিমোক্রেটিক ফ্রন্ট ওফ বোদোলেন্দ (এন দি এফ বি–এস) এক্টিভিষ্ট লাকশিন্নবা অহেনবা শক্তি দরকার লৈ। হায়রিবা ফোর্সশিং অদু অসামগী অৱাং থংবা সোনিটপুর দিষ্ট্রিক্তা মরু ওইনা শক্তি লৈরিবা কাঙলুপনি। দিকালমুখতা অসাম, অরুনাচল ঙমখৈগী জঙ্গলগী লমদমশিংদা মথৌ পাঙথোক্লবগীদমক পুলিস ষ্টেশন অমা লিংখৎলগনি। ৱাফম অদু খাগেন শর্মহগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসনা ফোঙদোকখিবনি।

ৱাফম অদু মহাক্লা বেহালিদা লৈবা সর্ক্যুট অমদা মীফম পাঙ–থোক্লবা মতুং পাউমীশিংদা ফোঙ–দোকখিবনি। বেহলিদা পুলিস আউটপোষ্ট অমা হাংদোক্লবগী ৱাফম অদু মাঙজৌননা খন্নখিবগা লোয়ননা থবক পায়খৎপা হৌখ্রবনি।

অসাম, অরুনাচলগী ঙমখৈদা পামদবা মিলিটেন্টশিংগা মরী লৈনবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক ফোর্স অদু থম্বা দরকার লৈরিবনি হায়খি।

এন দি এফ বিগী মথক্তা ওপরেশন চথনবগীদমক দরকার লৈবা মেনপৱার অমসুং খূৎশু–খূৎলায়শিং মতীক চানা লৈ। মখা তানা চথনবা শেম–শারি। মরু ওইরিবদি মীয়ামগী লন–থুম ঙাক–শেনবা অদুনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

সি পি আই (এম এল)না অরুনাচল প্রদেশকী বেহালিদা থোকখিবা মীহাৎ অদুগী মতাংদা নেশনেল লিবরেশন কাওন্সিল ওফ টানিলেন্দদা মরাল শীরক্লি।

দি জি পিনা মখা তানা ফোঙ–দোকখিবদা হায়রিবা মিলিটেন্ট গ্রুপ অদুগী মথক্তা ওপরেশন চথনবা শেম–শাদুনা লৈরে। মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, তোঙান তোঙানবা থৌদোকশিংগা মরী লৈননা বেহালি পুলিস ষ্টেশন্দা কেস অনী রেজিষ্টার তৌরে।

অসাম পুলিসনা বেহালিদা থোকখিবা মীহাৎ অদুগা মরী লৈননা অরুনাচল প্রদেশ পুলিস অমসুং এদমিনিষ্ট্রেশনগা মপূং ফানা মতেং পাংনদুনা থৌদোক অদুগা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎনবা হোৎনরি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীটিং কয়া পাঙথোকখ্রে। মদুদা ৭৭শুবা মাওন্টেন বৃগেদকী বৃগেদিয়ার, সোনিটপুরগী দেপ্যুটি কমিশ্নর, সোনিটপুরগী এস পি দাঃ সঞ্জুক্তা পরাসর অমসুং এস এস বি অমদি সি আর পি এফকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

চৈরক অসিদা অরুনাচল গ্রাসন প্রতি রোদহ সম্মিটিনা থোকপা চেরোল অমদা চৎলিবা চহি অসিগী জনুৱারি ২৯দা বেহলিগী জঙ্গলদা লমদমদা অসামগী খুনমি ১০ হাৎখিবা থৌদোক অদুদা অরুনাচল প্রদেশকী রাজনিতিগী লুচিংবা ৭ চৈন্নে হায়না ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদুদা চৈন্নে হায়রিবা মীওইশিং অদুদি নবাম রেবিয়া, এম এল এ বলিজান, জেট পি সি মেম্বর ইকা, জাংতে কিনো, নিদো কিনো, জোয়হা কিনো অমসুং প্রকাশ কিনোনি হায়না সম্মিটি অদুনা ফোঙদোরক্লি।

# অচুম্বদু খঙমিন্নসি

## মালেম লৈকোইপুংগী ৱাংমদা–১৩

ইং ১৯৭৯ দা টোন ৬৯ লূম্বা অমেরিকাগী স্কাইলাব অসি মালেমদা পুথরকখিদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী দেজার্টতা তাখি। সেটলাইটতু অচৌবা মৈবুল অমদি হৌরবা মখোলগা লোয়ননা দেজার্টতুদা মসিগী অচৌঅচৌবা শরুকশিং অদু চাইনা তাখি। স্কাইলাব সি অমেরিকানা ইং ১৯৭৩ দা থাগৎখিবনি। চহিদুমক্তদসু রসিয়াগী মির স্পেস ষ্টেসন (টোন ১২০)সু পেসিফিক ওসিন্দা তাহনখি। ফুটবোলদগী খরা হেন্তক্লা চাউবা সেটলাইটকী পোৎচাক চাউরাক্লা ১০০দগী ২০০ ফাওবা চহি খুদিংগী তারক্তুনা এটমোস্ফিয়ারদা চংলকখি। অদুবু হৌজিকসু সেটলাইট মতেক মকায় কয়ামরুম মালেমগী ওর্বিৎতা লৈরি। সর্ভে অমা ইং ২০০০ দা চথখিবগী মতুং ইন্না, হৌজিক অহাংবা মালংদা থিজিনবগী থবক চথরিবা স্পেস প্রোব ৯০ অদুগা সেটলাইট ২,৬৭১ লৈরি। কায়খিবা রোকেটকী অতেক কায় য়াওনা মতেক অকায় ৬,০৯৬ ওর্বিৎতা লৈরি। ইং ১৯৮৬ তা এরিয়ান কায়খিবদা মদুগী মচেৎ ৪০০ থোকখি। ইং ১৯৬৫ দা সোভিয়েট য়ুনিয়ন্না অমদি অমেরিকানা তোঙান তোঙান্না থাগৎখিবা রোকেটতগী এষ্ট্রোনোটশিং অদুনা স্পেস ৱাক্ক (রোকেটতগী অহাংবা মালংদা থোরকপা) পাঙথোকখিবদুদা এষ্ট্রোনোট মশা মশাদগী মখল কয়াগী টুলস অমদি ইক্বিমেন্টশিং অহাংবা মালংদুদা তাহৌখি। ইং ১৯৬৬তসু অমেরিকানা থাগৎখিবা জেমিনি টেনদগীসু য়াম্না শক্তি লৈরবা হেসেলব্লেদ কেমেরা তাহৌখি। মসিগুম্বা পোৎলম মচা মচাশিংসি নত্তবা য়াদ্রবা সেটলাইট কয়া অমা অদুগা অকায়–অতোই কয়া অমা মালেমদা অমুক হল্লকপা তৌদনা মালেমগী ওর্বিৎতা লৈরি। মালেমগী ওর্বিৎকী মনুংদা তাওদুনা লৈবা অসিগুম্বা পোৎশক ময়ামসিনা স্পেসক্রাফ্‌টতা অমাঙ–অতা থোকহন্দবা নত্তে। য়াম্না পিকখ্রবা পোৎশক অমনফাওবা খুদোংথিবদু থোকহল্লি।

# উত্তরখন্দগী লখৱার প্রোজেক্ট ইনভাইরনমেন্টেল ক্লিয়ারেন্স ফংখ্রে



**দেহরাদুন, ফেব্রুৱারি ৩ ঃ** ইন্দিয়াগী ওইনা ইনর্জি খ্বাইদগী হেন্না পুথোকপা ষ্টেট অমা ওইরিবা পায়খৎলিবা ৩০০ মেগাৱাট হায়দ্রো ইলেক্ট্রিক পৱার প্রোজেক্টকী ক্লিয়ারেন্স মিনিষ্ট্রি ওফ ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ফোরেষ্টতগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফংখ্রে হায়না চিফ সেক্রেটরি সুভাসকুমারনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

মেগাৱাট ৩০০ পুথোক্কদবা লখৱার প্রোজেক্ট অদু জমুনা তুরেলগী হৌরকফম ওইরিবা দেহরাদুন দিষ্ট্রিক্তা পায়খৎপনি। উত্তরখন্দ জল বিদিয়ুট নিগম লিমিটেদকী মতুং ইন্না প্রোজেক্ট অদুনা চহি অমদা ইলেক্ট্রিসিটি মিল্লিয়ন য়ুনিট ৬১২.৯৩ পুথোকপা ঙমগনি হায়রি।

প্রোজেক্ট অদুনা থক্লবা ঈশিং ইরিগেশন অমসুং ইন্দষ্ট্রিশিংগী চঙগদবা ঈশিংসু পীগনি হায়রি। উত্তর প্রদেশ, হরিয়ানা, রাজস্থান, দিল্লি অমসুং হিমাচল প্রদেশনচিংবা ষ্টেটশিংনা থক্লবা ঈশিংগী খুদোং–চাবশিং ফংবগা লোয়ননা ঈথৈ লৌখোং খুদোংচাবসু ফংহনগনি হায়রি।

ইং ১৯৮৬তা উত্তর প্রদেশ ওইনা লৈরিঙৈদা প্রোজেক্ট অদুগী ক্লিয়ারেন্স ফংননবা হোৎনরকখিবনি। প্রোজেক্ট অদু ইং ১৯৯২দগী ঙসি ফাওবা চথদুনা লাক্লি। তুংদা হায়রিবা প্রোজেক্ট অদু উত্তরখন্দ, জল, বিদিয়ুট নিগম লিমিটেদকী মখাদা থংদোরক্তুনা থবক পায়খৎলি। মদুনা মরম ওইরগা নৌনা অমুক প্রোজেক্ট অদুগী ক্লিয়ারেন্স লৌবগী দরকার ওইরকখি। লোয়ননা ষ্টেট সরকারনা ক্লিয়ারেন্স অদু লৌননবা অকনবা থবক পায়খৎতুনা লাকখিবনি হায়রি।

# অরুনাচলগী মহৈরোয় অমা লৈখিদবগী মতাংদা হায় কোর্টনা রিপোর্ট পীখৎলক্লবা দিল্লি সরকারদা

**ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ৩ ঃ** অরুনাচল প্রদেশকী চহি ১৮খক্তা ঙাইরিবা মহৈরোয় অমা দিল্লিদা হাৎখিবা অদুগী মতাংদা দিল্লি হায় কোর্টনা ঙসি দিল্লি সরকার অমসুং পুলিসতা থৌদোক অদুগী মতাংদা অকূপ্পা ৱারোল পীখৎলক্কবা খঙহনখ্রে।

চিফ জষ্টিস এন ভি রামানা অমসুং জষ্টিস রাজিব শাহাইগী বেঞ্চ অমনা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা সু মোটো কেস লৌখৎপগা লোয়ননা অকূপ্পা ৱারোল খঙহল্লক্লবা পাউতাক পীখ্রে। রিপোর্ট অদু চৎলিবা থা অসিগী ৫ ফাওবদা পীখৎ–লক্কদবনি হায়রি।

অরুনাচল প্রদেশ কংগ্রেসকী লেজিস–লেটর নিদো পবিত্রগী





মচানুপা নিদো টানিয়া মমাঙ থাদগী ২৯ দা সাওথ দিল্লিগী লাসপঠ নগরগী দুকান্দারশিংনা ফূবদগী লৈখিদবনি।

থৌদোক অদু মহাক্লা শেৎ–চারিবা ফিজোল অমসুং শকফমগা মরী লৈননা করেম্নরকপদগী থোকখিবনি হায়রি। মহাক থৌদোক থোকখ্রবা মতুং নোংমা কোনবদা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরবা মতুং লৈখিদবনি হায়রি।

# টেলিকোম স্পেক্ট্রমগী অহুমশুবা রাওন্দগী নিলাম নিংথৌকাবা নুমিৎতা কৌখ্রে

**ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ৩ ঃ** টেলিকোম স্পেক্ট্রমগী নিলাম নিংথৌকাবা নুমিৎতা কৌখ্রে। মদু সর্কল ২২ নৎত্রগা মেঘাহর্জ ১,৮০০ পুথোক্কদবা জোন অমসুং মেঘাহর্জ ৯০০ পুথোক্কদবা জোন অহুমগীনি হায়রি।

হৌজিক ফাওবদা মরিশুবা থাক্কী থবকশিং পায়খৎপা লোইখ্রে। মদু সর্কল ২২গী মনুং চনবা অমদি মেঘাহর্জ ১,৮০০ বেন্দগী মনুং চনবা সর্কলদগী লাকখিবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নিলাম অদু অয়ূক্কী পূং ৯দগী হৌখি। মদুদা টেলিকোম ফার্ম ৮ লাকখি। মদুগী মনুংদা ভারতি এয়রটেল, ভোদাফোন অমসুং রিলাইন্স জিও



ইনফোকোমসু শরুক য়াখি। হায়রিবা ফার্মশিং অদুনা মমল হুন্নবগা লোয়ননা সরকারনা আশা তৌখিবা চহি অসিগী ফাইনান্সিয়েল এয়রগী ওইবা লুপা ক্রোর ১১,৩০০ ফংবা ঙমখি।

পাঙথোকখিবা নিলাম অদু সুপ্রিম কোর্টনা নোংমাইজিং নুমিৎতা অতোপ্পশিংনা খূৎ থিংজিল্লকপা য়াদবা ওর্দর থোকখিবগী মতুং ইন্না পাঙথোকখিবনি।

লোয়ননা ভারতি এয়রটেল, ভোদাফোন, লুপ এন্দ আইদিয়ানা খূৎ থিংজিল্লক্তনবা সুপ্রিম কোর্টনা ওর্দর থোকখি। লোয়ননা মখোয়গী লাইসেন্সশিং অদু চহি ১০দা শাংদোকহনখি।

দিপার্টমেন্ট ওফ টেলিকোমনা রেদিও ৱেব মেঘাহর্জ ৩৮৫ বেন্দশিং অথিংবা থমখিবনি।

# অশাবা সর্টিফিকেট পীখিবগীদমক শৈলা দিক্সিটগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা প্রসিদেন্টতা হায়জখ্রে

**ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ৩ ঃ** দিল্লিদা অন ওথোরাইজ ওইবা কোলোনি অমা শেমগৎনবা অশাবা সর্টিফিকেট পীখি হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা দিল্লিগী হান্নগী চিফ মিনিষ্টর শৈলা দিক্সিটকী মতাংদা এক্সন লৌখৎনবা আম আদমি পার্টিনা প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জিদা চিঠি ইদুনা হায়জখ্রে।



আম আদমি পার্টিগী লুচিংবা মনিস সিসোদিয়ানা হায়খিবদা, দিল্লিগী হান্নগী চিফ মিনিষ্টর শৈলা দিক্সিটনা শাশিন্নবা থবক কয়া তৌখ্রে। মহাক অমসুং কংগ্রেসকী মথক্তা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়খি।

কোলোনি অদুগী মতাংদা মমাংগী সরকার অদুনা শাশিন্নবা থবক কয়া তৌখি। লোয়ননা শাশিন্নবা প্রোভিশনেল কয়াসু পীখি। মদু লোক অয়ুক্তানা লেপহন্নবা থবক তৌগনি হায়না সিসোদিয়ানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

অদুগুম্বা থৌদোকশিং অদু রাজনিতিগী খুদোংচাবা লৌননবগী–দমক তৌরোইদবনি। মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা থবক অদুগী মতাংদা চপ চাবা এক্সন লৌখৎনবা প্রসিদেন্টতা হায়জখ্রে। মদু প্রসিদেন্টকী অনিংবগী মতুং ইন্না থবক লৌখৎকনি হায়না থাজৈ হায়খি।

পার্টি অদুগী মীৎয়েংদদি লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা হীরম অদুগী মতাংদা মরাল লৈবশিংগী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎলক্কনি হায়বা থাজৈ।

রাজনিতিগী খুদোংচাবা লৌননবগীদমক ইং ২০০৮ দা এসেমব্লি মীখল পাঙথোক্ত্রি ঙৈ মাঙওইননা ইস্যু তৌখিবা আইন্না য়াদবা সর্টিফিকেট ১,২০০গী দায়ত্ব দিক্সিটনা লৌগদবনি হায়না লোক অয়ুক্তাগী জষ্টিস মনমোহন শরিমনা মমাঙ চহিগী নভেম্বরগী অরোইবা চয়োলদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি।

হৌজিক দিল্লি সরকারনা প্রসিদেন্টনা কেস অদুগী মতাংদা লৌখৎলকপা থবকশিং ঙাইরি।

জষ্টিস সারিননা বি জে পিগী লুচিংবা দিল্লিগী রাজনিতিৱালা হসভর্ধননা তৌরকখিবা কমপ্লেন্ট অমগী মতুং ইন্না শৈলা দিক্সিটনা রিগুলরাইজেশন সর্টিফিকেট পীখিবগী মতাংদা কেস অমা থাঙ্গৎলকখি। শৈলা দিক্সিটনা চথখিবা থৌওং অদু ভোটরশিংবু থেম্নবা মওংদা চথখিবনি হায়না মরাল শীরক্লি।

ইং ২০১২দা দিভিজনেল কমিশ্নর বিজয় দেবগী কম্মিটিনা প্রোভিশনেল রিগুলাইরাইজেশন সর্টিফিকেট পীখিবগী মতাংদা অরানবা কয়া তৌখ্রে হায়না রিকমেন্দ তৌরকখিবা লৈখ্রে।

ইং ২০০৮ দা পাঙথোকখিবা এসেমব্লি মীখলগী মাঙওইননা দিল্লিগী সরকার অদুনা মখোয়গী ভোট বেঙ্ক অমা শেমগৎনবা হোৎনবদা অদুগুম্বা থৌওংশিং অদু চথখিবনি।

সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং মতুং ইন্না লোক অয়ুক্তানা অদুগুম্বা প্রোভিশনেল সর্টিফিকেটশিং ইস্যু তৌখিবগী মতাংদা য়েংশিন্দুনা লাকখিবনি হায়রি।

# মোদি, জেটলিনা কেজ্রিৱাল সরকার চিংথনবা হোৎনরিঃ এ এ পি

**ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ৩ ঃ** ভারতিয়া জনতা পার্টিগী লুচিংবা নরেন্দ্র মোদি অমসুং অরুন জেটলিনা অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল সরকারবু চিংথনবা হোৎনরি। লোয়ননা এ এ পিগী এম এল এশিংদা পার্টি অদুদগী চোং–থোরক্লবা থৌশীল কয়া শীল্লি হায়না এ এ পিনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

আম আদমি পার্টিগী এম এল এ মদনলালনা প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখিবদা, পার্টি অদুগী এম এল এ অমদা চোংথোরক্লবা নরেন্দ্র মোদিনা লুপা ক্রোর ২০ পীগে হায়না ওফর তৌরকখ্রে। লোয়ননা মহাকপু চিফ মিনিষ্টর ওইহনগনি হায়নসু ফোঙদোরকখি হায়রি।

নুমিৎ ১০নিগী মমাঙদা মীওই অনী উনখি। মখোয়না ফোঙদোরকখিবদা, সঞ্জয় সিংহ কৌবা মীওই অদু গুজরাটতগী লাকখিবনি। মহাক নরেন্দ্র মোদিগা খ্বাইদগী নক্নবা মীওইনি।

মীওই অদুনা ফোঙদোরকখিবদা, মোদিনা আম আদমি পার্টিগী এম এল এ ১০গী সপোর্ট পাল্লি। মখোয়না ফিভম অমত্তদা আম আদমি পার্টিদা শৌগৎতনবা ৱাফম দরকার ওই হায়না ফোঙদোরক্লি। কাষ্টুরবা নগরগী এম





এল এ অদুনা ফোঙদোরকখিবদা, মহাক্লা লোয়ননা পার্টি অদুগী এম এল এ ১০ এ এ পিদগী লাপথোরক্লবা হায়রক্লি। লোয়ননা মহাকপু চিফ মিনিষ্টর নৎত্রগা কেবিনেট মিনিষ্টর ওইনা লৈহনগনি হায়না ফোঙদো–রকখি হায়রি।

লালনা মখা তানা ফোঙদোরক–খিবদা, মমাঙ চহিগী দিসেম্বর ৭কী অহিং নোংয়াইদা মশক খঙদবা মীওই অমনা ফোন তৌরক্তুনা মখোয়গী লুচিংবা অদুনা মহাক্লা ৱারী শাবা পাল্লি হায়না ফোঙদোরকখি।

মীওই অদু কনানো হায়না হংলুবদা মহাক্লা হায়, মীওই অদু অরুন জেটলিনি। জেটলিগী মিং তারবা মতুংদা মহাক্লা ফোন অদু ককথৎখি। অদুগা লালনা ফোঙ–দোকখিবদা মহাক্ল মশক খঙদবা নম্বরশিংদগী কোল তৌরকপা পায়খৎনিংদে হায়খি।

নাকল অমরোমদা, অরুন জেটলিনা মহাক্কী মথক্তা শীরিবা মরাল অদু যূম্ফম য়াওদবনি। আম আদমি পার্টিনা রাজনিতি শান্নবগী–দমক অরানবা প্রচার শন্দোক্তুনা মীওই কয়াগী ফন্দামেন্টেল রাইটশিং মৎপনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

প্রেস কনফরেন্স অমদা আম অদামি পার্টিগী লুচিংবা সঞ্জয় সিংহনা ফোঙদোকখিবদা, দেলিগী বি জে পিগী লুচিংবা হসবর্ধন অমসুং মেদিয়া পার্সন খরনা কেজ্রিৱাল সরকারবু চিংথনবা হোৎনরি।

মহাক্ল মখা তানা ফোঙদোক–খিবদা মঙোন্দা পীরকখিবা ওফরশিং লৌদে। কেজ্রিৱাল সরকারনা দিল্লিদা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক শেঞ্জা–থুমজা তৌবশিংগী মথক্তা ইষ্টিঙ্ক ওপরেশন চথরি। মদু করিগীদমক চথরিবনো হায়বদু খঙঙদবনি। মদুগী মতাইদা বি জে পিগী কাঙবুনা হায়রকখিবা ৱাফমশিং অদু খঙজিনবা পামখিদে।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদো–কখিবদা, বি জে পি অমসুং কংগ্রেস পার্টিনা ফিভম অমা শেমগৎতুনা দিল্লিগী সরকারবু চিংনবা হোৎনরি। পার্টি অদুনা পায়খৎখিবা ইলেক্ট্রিসিটিগী তারিখ হন্থহন্নবগী মতাং অদুদা খুদোংচাবা লৌদুনা পার্টি অদুগী এম এল এ কয়াদা শেঞ্জা–থুমজা তৌদুনা কেজ্রিৱাল সরকার চিংথুনবা হোৎনরি।

এ এ পি পার্টি অমা নত্তে। অদুম ওইনমক, দিল্লিদা সরকার পায়রি। সরকার অদুনা শেঞ্জা–থুমজা তৌবা কয়াগী মথক্তা থীগৎনবা হোৎনরি।

রাজ্য সভাগী ওপোজিশন লীদর অরুন জেটলিনা দিল্লি সরকারবু তং তাদবা ফিভম অমদা লৈহন্নবা হোৎনরি। এ এ পি সরকারবু মওং চাদবা সরকারনি হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা মায়কৈ কয়াদগী লান্না উহন্নবা হোৎনরি হায়খি।

এ এ পিগী লুচিংবা সঞ্জয় সিংহনা প্রেস কনফরেন্স অদুদা ফোঙ–দোকখিবদা, বি জে পিগী সেনিয়র লীদরশিং অমসুং মেদিয়া পর্সনশিং শীজিন্নদুনা দিল্লি সরকার চিংথুনবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

